ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ




সিলচরগী ঈশিং-ঈচাও মায়োক্লরবা খুঞ্জাশিংদা রুরেল এদ্যুকেসন দিভেলপমেন্ট ইন্সটিটুটনা রোংপুর সেরাম খুলগী খুঞ্জাশিংদা থক্লবা ঈশিং অমসুং অচা অথক কয়া খূৎশিন্নখিবা

খন্বা-থোইবীদা য়ুম্ফম ওইবা ট্রেনিং কম প্রদক্সন হৌদোকখ্রে
☛ লামায় ২

কোরোনাসি কমদৌনা অমুক হন্না লিৎখৎলক্লিবনো?
লামায় ৪

জুলাই ১১ ফাওবা বন্দ য়ৈথোক্লে : জে এ সী
☛ লামায় ৫

মেম্বর অমদি প্রধান মান্নরগা য়াল্লবা শেনফমশিং চাথোক্লল্লে
☛ লামায় ৬

সী আই দি (টেক্নিকেল) ব্রাঞ্চনা শীন্দুনা অহানবা মণিপুর রাইফলসকী বক্সিট হোলদা পাঙথোকখিবা অনীশুবা মেগা ভোলন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্পতা হেল্থ মিনিষ্টর ডা. এস রঞ্জননা শরুক য়াখিবা



Vol. 46, Issue No. 103 | ইরাই, ইঙেনগী ৯নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Friday, July 08, 2022, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

## মেত্রিককী রিজল্ট

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচএনএস): বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরনা লৌদুনা পাঙথোকখিবা হায় স্কুল লিভিং সর্টিফিকেট এগজামিনেসন, ২০২২গী রিজল্ট হয়েং নুংথিল পুং ৩.৩০ তারকপদা বোসেমগী এগজামিনেসন হোলদা লাউথোক্লগনি হায়রি।

## হকচাং ফংখিদে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচএনএস): মমাঙ থাগী ২৯ অমসুং ৩০গী লোন্নবা অহিংগী নোংয়াই মতুংদা নোনে দিষ্ট্রিক্টকী মরাংচীং পার্ট-৫ (মখুআম) ভিলেজদা লৈবা রেল লম্বী শেম্বগী থবক শুরিবশিং অমসুং মখোয়বু ঙাক শেল্লিবা
...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## য়ুরিয়া দিষ্ট্রিব্যুসন সেল

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচএনএস): লৌমীশিংদা হার মরাং কায়না ফংহন্নবগীদমক এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা দিষ্ট্রিক্ট পূম্নমক্তা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসরশিংগী ওফিসতা য়ুরিয়া দিষ্ট্রিব্যুসন সেল অমমম হাংদোকখ্রে। মসিদগী লৌমীশিংনা মথৌ তাবা য়ুরিয়াশিং লৌবা য়ারগনি হায়রি।

## ব্রাউন সুগর

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচএনএস): ঙসি নুংথিল পুং ১ রোম তারকপদা চুড়াচান্দপুর পুলিসনা ন্যু লমকাগী সিমিত্রি মনাক্তগী লিংলালঙা সিংসোন (৪৭) মপুরোইবা সোখোহেন সিংসোন কৌবা নুপী অমদগী সাপোন কেপ ৪দা হাপ্লম্বা ব্রাউন সুগর গ্রাম ৫১ ফারে।

## বেল প্রেয়র ককথৎখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচএনএস): লৈঙাক্কী ষ্টার্ট অপ স্কিমগা মরী লৈননা বেনিফিসরিশিংদা পীগদবা য়াল্লবা শেনফমশিং লান্না শীজিন্নখি হায়বগী মতাংদা ক্রাইম ব্রাঞ্চনা লৌখৎপা কেস অমদগী প্রি এরেষ্ট বেল পীবিনবা কংলাতোংবী ব্রাঞ্চকী পঞ্জাব নেসনল বেঙ্ককী মেনেজর সিংসিট খুপেদেন (৩৮) অপোকপা সিংসিট থোংখোকম, মার ভেঙ (চুড়াচান্দপুর) না ফাইল তৌরকখিবা এপ্লিকেসন অমা ঙসি স্পেসল জজ (প্রিভেন্সন ওফ করপসন) এ গুনেশ্বরনা পীখিবা ওর্দর অমদা রিজেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা মঙোন্দা হান্না পীরম্বা ইন্টরিম প্রি-এরেষ্ট বেল অদুসু ভেকেট তৌরে হায়দুনা খঙহনখ্রে।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

## দিরেক্টরগী চার্জ পুহল্লমখিবা ওফিসর ১বু ছুটি নুমিৎতা প্রমোসন ওর্দর পীখি হায়দুনা হায় কোর্টতা ৱাকৎলক্লে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচএনএস) : লৈঙাক্কী দি পিনা জুলাই ৮ ২০২১দা থোকপা ওর্দর অমদা ভেটিরিনরি এন্দ এনিমলে হজবেন্দ্রি দিরেক্টোরেটকী মতম অদুদা জোইন্ট দিরেক্টর (প্লান্নিং) ওইখিবা ডা. সী ঐচ নন্দকিশোর কৌবা ওফিসর অমবু জন্যুৱারী ৮, ২০২২ (সেকেন্দ সটরদে) গী ছুটি নুমিৎতা পাঙথোকখিবা দি পি সীগী রেকমেন্দেসন মতুংইন্না দিরেক্টরদা প্রমোসন পীখিবগী থৌওং ইল্লিগেল ওইবা লৈঙাক্কী খোঙথাংনি হায়রদুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৪৮৯ ওফ ২০২২ ফাইল তৌরদুনা ৱাকৎলকখ্রে।

ৱাকৎ অসিনা মখা তানা ফোংদোক্লিবনা দি পি সী অদু চীফ সেক্রেটরিগী ওফিস চেম্বরদা নুমিৎতুগী অয়ূক পুং ৯.৩০দা ফমখিবনি হায়বগা লোয়ননা ওফিসর অসিগী প্রমোসনগী ওর্দরনা অন্দর সেক্রেটরি (দি পি) না নুমিৎতুমক্তদা থোকখিবনি হায়রি। অদুবু নুমিৎ অদু পাঙথোকখ্রিবা মণিপুরগী ১২শুবা এসেমব্লি ইলেক্সনগীদমক সী ঈ ওনা ইলেক্সন সেদ্যুল লাউথোকখিবনা মোদেল কোদ ওফ কন্দক্টসু চৎনবা হৌখ্রবনি হায়রি।


লোয়ননা ডা. সী ঐচ নন্দকিশোর য়াওনা লোয়শঙ অসিগী অতোপ্পা এক্সুজনি হায়দুনা চার্জ তৌরিবা মীওই ৬কা পূন্না মখোয় ৭কী মথক্তা সী সী এস (সী সী এ) রুলস, ১৯৬৫গী রুল ১০গী সব রুল (১) (বি) গী মখাদা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপীয়ু হায়দুনা হায় কোর্টতা ৱাকৎপা কেস নম্বর দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৬৯৯ ওফ ২০২১ পেন্দিংদা লৈরিঙৈদা প্রমোসনগী ওর্দর অসি থোকখিবনি হায়নসু ফোংদোকখি।

মেট্টর অসি ঙরাং জষ্টিস এম ভি মুরালিদরনগী বেঞ্চনা লৌখৎলকপদা পিটিস্নর ওইরিবা হাওরৈবী ময়ায় লৈকায়দগী ডা. এস ইন্দ্রগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল এন জোতেন্দ্রোনা লেপখি। কোর্টনা পিটিস্নর কাউন্সেলগী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা কেস অসিগী অপূনবা রেসপোন্দেন্ট মরিগী মথক্তা ইস্যু তৌখিবা নোটিসশিং গভর্ণমেন্ট এদভোকেট ৱাই অশাংনা লৌখি লোয়ননা ৱাকৎ অসিগা মরী লৈনবা ইন্সত্রক্সন অমসুং চে চাংশিং লৌশিন্দুনা কোর্টতা ফাইল তৌনবগী মতম পীবিনবা হায়জখি। কোর্টনা মহাক্কী প্রেয়রদা অয়াবা পীরদুনা মেট্টর অসি থা অসিগী ২৫দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি।

## উমং ঙাক্লিবা ফোরেষ্ট গার্দশিং নোংমৈ পায়হনবা হৌরে

# উমং কন্নবা হোৎনরকপগী মায়োক্তা লাকপা ৱা অমত্তা তারোই ঃ বিরেন

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস) : লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোরক্লিবা ৭৩রক শুবা বন মোহোটসব, ২০২২গী শরুক অমা ওইনা ঙসি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংদুনা নোংমাইজিং রিজার্ভ ফোরেষ্টকী মনুং চল্লিবা ঈশিং চাইবীদা উ চারাশিং থারদুনা উমং ঙাক শেল্লিবা ফোরেষ্ট গার্দশিংদা নোংমৈ ইস্যু তৌদুনা পায়হনবা হৌরে অমসুং মখল খুদিংমক্কী উমংশিং কন্নবগীদমক লৌখৎলক্লিবা থবক থৌরমশিংগী মায়োক্তা লাকপা ৱাফম অমত্তা তারোই হায়বগী অচেৎপা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে।




থৌরমগী মনুং চন্না সনামহি কিয়োং কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অমদসু চীফ মিনিষ্টরনা ডা. কে ঐচ শামুঙৌনা ইবা লাইরিক 'দি মাদর ওফ দার্ক চেম্বর' রিলিজ তৌখি। লাইরিক অসিমক অতোপ্পা লোলশিংদা হন্দোক্লগা ফোঙলবদি মসিনা ফোঙদোক্লিংলিবশিং মীপূম তিংনা খঙহনবা ঙমগনি হায়খি।

লোয়ননা হৌজিক মীয়ামদা উমং য়োকখৎপা থৌরমগা মরী লৈননা ৱাখল তাহনবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়রদুনা মীয়ামদা রিজার্ভ ফোরেষ্ট/প্রোটেক্টেদ ফোরেষ্ট নৎত্রগা অনক্লাসিফাইদ ফোরেষ্টকী মতাংদা ময়েক শেংনা খঙহন্দুনা মণিপুর শীনবা থুংনা উ পান্বীশিং পাত্তক্লনা থাগদবনি হায়খি। অদুগা থৌরম অসি পায়খৎলকপগীদমক লৈঙাক্কী উমং লোয়শঙগী ওফিসলশিংবুসু তৌবীমল খঙবা উৎখি।

হৌজিক্তি লৈবাক লৈঙাকলোনদা চাউনা অহোংবা লাক্লবনি হায়রদুনা মমাঙক্তদি বন্দ মোহোটসবকী থৌরম অসি কংলা মনুংদা পাঙথোক্লম্বনি অদুবু ঙসিদি নোংমাইজিং চীং অমসুং কৌব্রু চীংশাং পরেংদা পাঙথোক্লে হায়খি।

লৈঙাক্কী ওফিসরশিংনা মখোয়গী ফরুপশিং খক্তগীদমক য়েংলগা থবক তৌরোইদবনি।
...মখা লামায় ৩ কলম ২

## ইন্দিয়াদা কোভিদকী হেন্না শাথীবা সব ভেরিএন্ট বি এ. ২.৭৫ থেংনরে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস) : মালেমগী লৈবাক পূম্নমক্লা ঙসি ফাওবদা মায়োক্লরক্লিবা তমথীরবা মীহাৎ লায়না অমা ওইরিবা কোভিদ-১৯গী তোঙান তোঙানবা ভেরিএন্টশিং মায়োক্লদুনা লাকপগী মথক্তা খরগা হেন্না শাথীবা লায়না অসিগী সব-ভেরিএন্ট বি এ ২.৭৫ ইন্দিয়াদা থেংনরে হায়না ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) গী চীফ সাইন্টিষ্ট সৌময়া শ্বামিনাথননা কনফার্ম তৌখ্রে।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না হৌজিক অনৌবা ভেরিএন্ট অসি লৈবাক অসিগী দেল্লীদা ১, হরয়ানা ৬, হিমাচল প্রদেশ ৩, জন্মু ১, কর্ণাটকা ১০, মধ্য প্রদেশ ৫, মহারাষ্ট্র ২৭, টেলেঙ্গনা ২, উত্তর প্রদেশ ১ অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলদা ১৩ য়াওনা পূন্না কেস ৬৯ থেংনরে হায়রি।

লৈবাক অসি খক্তদা নত্তনা অনৌবা ভেরিএন্ট অসি মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক ১০দসু থেংনবা হৌরক্লে হায়রি।

ওইরক্লিবা ফীভম অসিদগী দব্লিয়ু ঐচ ওগী দিরেক্টর জেনরেল টেদ্রোস অধানোম ঘেব্রেয়েসসনা ঙরাং ফোঙদোকখিবদা মালেমগী লৈবাকশিংগী হেল্থ এজেন্সী অমসু ওইরিবা দব্লিয়ু ঐচ ওনা অনৌবা সব ভেরিএন্ট অসিগী মতাংদা মখা তানা থিজিন হূমজিনবগী থবকশিং চথুরি হায়খ্রে।

## গভর্ণমেন্ট দান্স কোলেজগী উমং লাই হরাওবগী মশক তাক্লিবা শঙলেন অকনবা নুংশিৎ ঙাইরি



নোমিতা খোংবান্তাবম

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লৈঙাক্লা চলাইবা অমত্তা ঙাইরবা লমদমসিগী লৈঙাক্কী দান্স কোলেজ কেম্পস মনুংদা লমদমসিগী য়েলহৌ থৌরম অমা ওইরিবা 'উমং লাই হরাওবা' গী চপ চাবা মশক তাক্তুনা মসিবু মহৈরোয়শিংদা তম্বীনবগীদমক থৌওইনা শাদুনা থল্লক্লিবা শঙলেন অকনবা নুংশিৎ ঙাইদুনা লৈরে।

শঙলেন অসি মণিপুরগা শাগোন্নরক্লিবা উমং লাই হরাওবগী মশক তাকপা খক্তা নত্তনা কোলেজ অসিগী অকোয়বগী ফীভম য়োকখৎনবগী পান্দমদা ঙসিদগীনা চহী ১০ রোমগী মমাঙ কুমজা ২০১২গী জুন থাদা শঙ্গাদুনা দান্স কোলেজ অসিগী মহৈরোয়শিংদা লাই হরাওবগী মতাংদা মমুৎ তানা তাকপী-তম্বীবদা শীজিন্ননবগীদমক থল্লকখিবনি। মণিপুরগী মীয়াম খক্তা নত্তনা মপান্দগী লাকপশিংদসু মণিপুরগী লাই হরাওবা হায়বসি করিনো হায়বদু ময়েক শেংনা তাক্লবগী পান্দমদা শীজিন্নরকখিবনি। কোলেজ অসিদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংগী সবজেক্টকসু মরী লৈনবা উমং লাই হরাওবগী মশক তাকপগা লোয়ননা নাৎকা শাগোন্নরকপা শঙলেননি।

হৌজিক মরু ওইখ্রবা কোলেজ অসিগী কেম্পসতা থল্লক্লিবা য়েলহৌ থৌরম অসিগী মশক তাক্লনবা মতম অদুগী পোৎচং চৈজংশিং শীজিন্নদুনা শাখিবা শঙলেন অসিগী মতাংদা মতমদুদা আর্ট এন্দ কলচর লোয়শঙগী
...মখা লামায় ৩ কলম ২

## তমুদা হাৎখিবশিং শিন্নরক্ত্রি, ঙমখৈ পরিংদা অকনবা ঙাকশেন থৌরাং লৌখৎখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস) : থা অসিগী ৫দা তমুদা লৈবা মমান্নবা অমগী বর্থদে পার্টি য়াওবা চৎখিবা মোরেদা ওটো থৌদুনা লৈবা টামিল মচা অনীবু ফুরবা মতুংদা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবা ঙসি নুমিৎ হুমনি শুরক্লবা ফাওবদা লৈখিদ্রবা অনীগী হকচাং খূৎশিন্নরক্তবদগী থৌদোক অসিগী মায়োক্তা হেন্না উংখৎনবা হেনগৎলকপদগী ঙমখৈ পরিংদা সিক্যুরিটিনা অকনবা মওংদা ঙাকশেন থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রে।

ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা ঙসি অয়ূক পুং ৯.৩০ তারকপদা দি আই জি অঙম মিংসেননা লুচিংদুনা তেংনৌপলগী এস পি য়াওনা মোরে পুলিসকী আই বিদা কম্যুনিতি পূম্নমক্কী লুচিংবশিং শরুক য়াদুনা মীফম অমসু পাঙথোকখি।

মীফম অদুগী মতাংদা টামিল সঙ্গমগী জেনরেল সেক্রেটরি কে বি এস মানিয়মনা ফোঙদোকখিবদা সী এস ওশিংনা হকচাং অনীদু অথুবা মতমদা শিন্নহল্লক্লবা লৈবাক অনীগী লৈঙাক্লা শিনবীরবদি মোরেদা হৌজিক লৈরিবা ঈরাং অসি ঈংথখিগনি হায়খি। অদুবু ঙসি ফাওবদদি ম্যান্মারগী মায়কৈদগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরক্তে হায়রি।

লৈখিদ্রবা মীওই অনীগী ইমুংদা এক্স গ্রেসিয়া পীগদবনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা দি আই জি অঙম মিংসেনগী
...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## জে দি-য়ুগী লুচিংবা ক্ষেত্রি বিরেন, ডা. লোকেন অমসুং ও নবকিশোরনা পার্টিগী লুচিংবশিংগা মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচএনএস) : হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা এম এল এ ৬ কারকখিবা জনতা দল (য়ুনাইটেদ) মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী নৌনা প্রসিদেন্ট খল্লকখ্রবা লম্লাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী এক্স মিনিষ্টর ক্ষেত্রিময়ুম বিরেন অমসুং শগোলবন্দ এ সীগী এক্স এম এল এ ডা. খ্বাইরাকপম লোকেন য়াওনা বিষ্ণুপুর এ সীদা পার্টি অসিগী মীরেপ ওইখিবা ও নবকিশোরগা



পূন্না শরুক য়াদুনা পার্টি অসিগী নেসনল লিদরশিংগা ফম্মিন্নদুনা নুমিৎ নীনি চূপ্পা মীফম পাঙথোকখ্রে হায়রি।

ঙরাংদগী হৌরক্লগা ঙসি ফাওবা পটনাদা চথখিবা মীফম অসিদা শরুক য়ারিবা পার্টি অসিগী মণিপুরগী লুচিংবা অহুমগী মনুংদা ডা. কে ঐচ লোকেননা পার্টি অসিগী মণিপুর য়ুনিটকী জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেসন) ওইরিবগা
...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## এন ঐচ আই দি সী এলদা শিন্নরবসু মণিপুরগী লম্বীশিংগী ফীভম কুম লায়না পুদুনা লৈরে



বিজয় লাইশ্রম

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচএনএস) : মণিপুরগী মরু ওইবা লম্বীশিংগী মনুংদা মপানগী লমশিংগা ফাওন-লম্বী ওইরিবা এন ঐচ-২ পরিংগী ইম্ফালদগী মাও ফাওবগী লম্বী, এন ঐচ-৩৭গী মনুং চল্লিবা ইম্ফালদগী জিরিবাম ফাওবগী লম্বী অমদি এন ঐচ-১০২গী মনুং চল্লিবা ইম্ফালদগী মোরে অমদি এন ঐচ -১৫০ ওইরিবা ইম্ফালদগী জেসামি ফাওবগী লম্বীশিংগী অয়াম্বা শরুক নেসনল হায়ৱে ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদ (এন ঐচ আই দি সী এল) দা খূৎশিন্নদুনা লম্বীশিং অসিগী থৌদাং লৌহল্লক্লবসু হান্নগী ফীভমদগী মচিইরেং লেঙদনা কুম পুদুনা লৈবগী ফীভম হৌজিকসু মায়োক্লরি।

হায়রিবা মরু ওইবা লম্বীশিং অসি হান্না বোর্দর রোদ টাস্ক ফোর্স (বি আর টি এফ) তা খূৎশিন্নদুনা পায়হল্লম্বনি। অদুবু মখোয়না লম্বী শেমজিন শাজিনবগী থবক য়াম্না তপ্পদগী মঙম শান্দবা উরক্তুনা এন ঐচ আই দি সী এলদা খূৎশিন্নরকখিবনি। ইম্ফাল জিরিবাম পরিংগীনা ইম্ফালদগী ওরিয়েন্টেল কোলেজ ফাওবনা ষ্টেট পি দব্লিয়ু দিনা পায়রগা লেমহৌরিবা লম্বীগী জিরিবাম ফাওবনা কম্পেনি অসিনা পায়রিবনি। এন ঐচ ১৫০গীনা
...মখা লামায় ৩ কলম ২

## মণিপুরগী এক্টিভ কেস ৯৭ শুরে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস) : হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অপূনবা সেম্পল ২৯৫ টেষ্ট তৌখিবগী মনুংদা মীওই ২২ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বগা লোয়ননা ঙরাং ফাওবদা মণিপুরগী এক্টিভ কেসকী মশীং ৭৯ লৈখিবা অদু ঙসি মীওই ২ নাবা ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখ্রবা মতুংদা অপূনবা এক্টিভ কেসকী মশীং ৯৭ শুরে হায়রি।

ঙসি নুংথিলগী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী রিপোর্ট মতুংইন্না নৌনা পোজিটিভ ওইরবা মীওই ২২ অদুগী মনুংদা নুপা ৮ অমসুং নুপী ১৪নি। পোজিটিভ কেসশিং অদু জেনিমস অমসুং রিমসতা ১/১ থেংনরগা অতোপ্পা টেষ্টিং সেন্টরশিংদনা কেস ২০ থেংনখিবনি। পোজিটিভ ওইরবশিংনা ইম্ফাল ইষ্টতগী ৫, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৯, থৌবাল ২, ককচীং ৩, উখ্রুল ১ অমসুং চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ২নি হায়রি।

অদুম ওইনমক লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মীওই অমত্তা লৈখিদবা য়াওদবনা হান্নদগী লৈরকপা শিখিবা মীওই ২১২০ অদুদগী হেনগৎলকপা লৈত্রি হায়রি। অদুবু নৌনা থেংনবা পোজিটিভ কেস ২২ অসি হাপচিল্লবা মতুংদা হৌজিক ফাওবদা থেংনবা অপূনবা কেস মশীং ১,৩৭,৩৬৭ শুরে। ফগৎলকখ্রবা মীওইশিংগী মশীংনা ১,৩৫,১৫০ শুবগা লোয়ননা রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৩৯ লৈবগা লোয়ননা পোজিটিভিটিগী চাংনা চাদা ৭.৫ তা লৈরি হায়রি।


HL Poll

Q : Umang yokkhatpada leingak khakta nattana meeyamgisu mateng panggadabani haibasi chumloidra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : MLA singna har yenbada fangdre hainaraklibasi loumising sunaba har pidabadagi oifam thoktabra?

Yes 62% No 38%


অস! লোইরেহে!




## কোরকোমগী ১১শুবা মপোক কুমওন নুমিৎকী পাউজেল

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ : লালহৌলূপশিংগী অপূনলূপ কোওর্দিনেসন কম্মিটি (কোরকোম) গী ১১শুবা মপোক কুমওন নুমিৎ হয়েং পাঙথোক্কদবগী মাঙওইননা কোরকোমগী পব্লিসিটি কম্মিটিনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

কোরকোমগী মীদিয়া কোওর্দিনেটর এম শকহেননা থোরকপা পব্লিসিটি কম্মিটিগী চেরোল অসিনা হায়, মণিপুর (কংলৈপাক) গী নীংতম য়াওল ইহৌদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা কোরকোমনা য়াওলগী ইকায়খুম্নবা উৎচরি। লোয়ননা য়েক্লবগী চৈথেং কয়া মায়োক্লদুনা য়াওল ঈহৌ অসিগীদমক লেপ্পীরিবা মীয়াম পূম্নমকপুসু থাগৎচবা ফোঙদোকচবগা লোয়ননা ময়াম্না থেংনরিবা অৱাবা কয়াদা শরুক য়াজরি হায়রি।

কোরকোমগী ১১শুবা মপোক কুমওন নুমিৎ জুলাই ৮, ২০২২ ইরাই নুমিৎ অসিদা ৱেসিয়া লমদমদা লৈরিবা য়াওল্লুপশিং অমদি মীয়াম পূম্নমকপু ইকায়খুম্নবা উৎচবগা লোয়ননা কোরকোমনা য়াইফ পাউজেল পীজরি হায়রি।

> 'মণিপুর (কংলৈপাক) কী মনিং তম্বগী লিক্লম অদুবুদি চাওরবা বৃটিশ লোইলম লৈঙাক্লা হেক্তা কায়হনবা ঙমখিদে'

ৱেসিয়াদা মনীং তম্না পাঞ্জরম্বা মণিপুর (কংলৈপাক) না বৃটিশ লোইলমগী খয়াত্তা মতম খরা তারুরবসু মণিপুর (কংলৈপাক) গী মনিংতম্বগী লিক্লম অদুবুদি চাওরবা বৃটিশ লোইলম লৈঙাক্লা হেক্তা কায়হনবা ঙমখিদে। ইং কুমজা ১৯০৭তগী চীং অমসুং তম অনীবু খাইবুং তাহনবা মওংগী লৈঙাকলোনগী মখাদা পুরকখ্রবসু ইরৈচাশিংগী মরক্তা লৈনবা শেন মীৎ-কৈথেলগী মরী, হিংমিন্নরকপগী লিখুল অমদি মনীংতম্বগী ইখৌ লাংবা অদুবুদি খক মাঙহনবা ঙমখিদে। মদুমক্লা ইং কুমজা ১৮৯১গী লান্দা মণিপুর (কংলৈপাক) কী নীংতম্বা কন দবা য়াদে হায়বা ফিরেপ লৌখি, কাঙলূপকী খল তুংওইনরল্লগা অপূনবা ইরমদম মণিপুর (কংলৈপাক) গী নিংতম্বগীদমক লেপমিন্নখি। মতমগী খোঙলৈগা ইরোয়ননা চেম্থরকপা মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক অমদি মদুগা শাগোন্নবা লৈঙাকলোনগী ইচেল অদুদা অথৌবা কয়ানা থৱায় খূবাক্তা হাপ্তুনা লান্থেংনখি। মণিপুর (কংলৈপাক) ইং কুমজা ১৯৪৭, ওগষ্ট ১৪ অমসুং ১৫গী লোন্নবা অহিংদা মনীংতম্বা অমুক হঞ্জিনখি হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, বৃটিশকী মখাদা লৈরম্বদগী ইং কুমজা ১৯৪৭তা নীংতল্লে হায়দুনা হরাও মীনোক তমজবগী মায়থোং মকা লামজরুবা অদু মপৃং ফাদ্রিঙৈদা ইং কুমজা ১৯৪৯দা মণিপুর (কংলৈপাক) শক-চু মান্নদবা অনৌবা লোইলম ইন্দিয়াগী খয়াত্তা অমুক তাখি। ৱেসিয়াগী মনীংতম্না পাঞ্জরম্বা ফুরুপচাশিংবু জিও-পোলিটিকেলগী ওইবা মীৎয়েং অমগী মখাদা অকনবা লানবন
...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## ময়াই কাবা চিঞ্জাক ওইনা শীজিন্নবা টেব্লেটশিং মৈ থাদোকখ্রে



ইম্ফাল জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস) : চথুরক্লিবা ৱর ওন দ্রগস কেম্পেন্যনদা খুরাই এ সীগী এম এল এসু ওইরিবা মিনিষ্টর এল সুসিন্দ্রোনা শৌগৎতুনা লাকপগী মতুং চন্না খুরাই লমলোং কৈথেলদগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক ওইনা শীজিন্নবা টেব্লেট 'জোলাম' শিং নহা ২দগী ফাগৎলগা মতুংদা মৈ থাদোক্তুনা মাঙহনখ্রে। টেব্লেটশিং অসিগা কোন্ননা ফাগৎখিবা নহা অনীদুনা রিহেবিলিটেসন সেন্টরদা থমখ্রে হায়রি।

মসিগী মতাংদা কে এস ৱাই সীগী জেনরেল সেক্রেটরি
...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## য়াসকী ওফিসরনা করিমত্তা ফোঙদোকউ হায়বা য়াখিদ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস) : সোসল মীদিয়াগী মরু ওইবা প্লেটফোর্ম অমা ওইরিবা ফেসবুক একাউন্ট অমদা এম পি সী সীগী য়ুথ কোংগ্রেসকী মেম্বরশিংনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈরিবা লৈঙাক্কী য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস (য়াস) লোয়শঙদা হান্নদগী লোয়শঙ অসিগী ফ্লোরদা মোজেক থাদুনা লৈবগী মথক্তা অনৌবা টাইলশিং অমুক নপশিল্লম্বা অমসুং ষ্টিয়রগী শরুক্তনা মার্বেল থাজিল্লম্বগী থৌওং অসি মরম চাদে, পব্লিক মনি লান্না মাঙহন্নবা হোৎনরকপনি হায়না ফোঙদোকখিবগা মরী লৈননা ঙসি পাউচে অসিনা লোয়শঙ অসিগী দেপ্যুটি দিরেক্টর (ট্রেনিং এন্দ কোচিং) ওইরিবা ওফিসর অমগা হকথেংননা উন্নরুবদা য়ুথ কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী তৌরক্লিবা চার্জ অসিগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকউ হায়বা য়াখিদে। লোয়ননা লোয়শঙ অসিগী দিরেক্টরসু হৌজিক ছুটি লৌদুনা লৈরম্বা
...মখা লামায় ৩ কলম ৫